## জ্ঞান প্রকাস অমসুং দেভেশ দেবালদা হোমগী থবকশিং পুহনখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস):** মণিপুর লৈঙাক্কী দি পিগী স্পেসল সেক্রেটরিনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমদা তোঙান তোঙানবা লোয়শঙশিং পুরকখিবা মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর কম সেক্রেটরি ঐচ জ্ঞান প্রকাস অমসুং দেভেশ দেবালদা মখোয় অনীনা হান্নদগী পুরকখিবা লোয়শঙশিংগী মথক্তা মথংশিংনা হোম-১ অমসুং হোম-২গী থবকশিং হাপচিনখ্রে।

ওর্দর অসিনা মখা তানা হায়বদা মখোয় অনীনা পুগদবা হোম-১ অমসুং হোম-২গী থবক থৌরমশিংগী মতাংদদি চীফ সেক্রেটরিনা তোঙানবা এলোকেসন অমা পীখিগনি হায়রি।

**'করপসন' গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ**

'করপসন' (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 89.346365 |
| US Dollar | 83.014962 |
| British Pound | 104.677936 |
| Australian Dollar | 54.116833 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.540011 |
| Japanese Yen | 0.556373 |
| Malaysian Ringgit | 17.421744 |
| Singapore Dollar | 61.717913 |
| South Korean Won | 0.062421 |
| Saudi Arabian Riyal | 22.137323 |
| Thai Baht | 2.312361 |

**GAS NEWS**

**KHORIPHABA**
**Bk. Uptodate**
Mobile no:8787632782 / 7005229445
(home delivery)
Miss call for booking: 8454955555 (from regd. Mobile)
All the customers are requested to update their mobile no at office from 10 am to 1.30 pm
**M/S R&HINDANE SERVICE IRILBUNG**
Only Home Dellivery
**Booking Upto 06/01/2024**
Valid from25/12/23
Contact no. 7353320254
Call Timing 9am to 12pm
Sunday Closed
**Stock 306 nos.**
**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO DATE**
Time: 09 am to 12 pm
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883
**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 27/01/2024
**BOOKING UPTO: 03/02/2024**
TIMING: 7:00 AM to 10:00 AM(Temporary).
For Home delivery: 9863576002 (SMS only)
Delivery within 7 days
**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
**BOOKING UPTO DATE**
TIMING 9:00 AM TO 12:AM
CONTACT NUMBER
FOR ALL IMPHAL-WEST , IMPHAL-EAST & LANGOL 8131942156 (SMS ONLY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
7628077876(enquiry)
**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO 05/02/2024**
VALID FROM NIL
14kg,10kg,19kg & 5kg
UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
TIMING 08.00 to 10.00am
GAS LOUBA MATAMDA REGISTER TOUBA MOBILE PUTHOKPIYU
**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-28-01-24,**
VALID FROM 23-01-2024,
STOCK : 612,
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACT NOS: 9862634903, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM
**KHUMBONG INDANE**
**Booking upto 14-01-24**
Valid from 12-01-24
Only home delivery sarvice
Office no. 9774068549
Home delivery contract no. 8974511936
Message no. 8974511936
**Stock. 306**
Time 7.am to 9.am
**M/S K&K INDANE SERVICE, HOME DELIVERY ONLY**
**BOOKING UPTODATE**
CALL TIMING: 8AM TO 12NOON
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL- Tiddim line. Mayai Lambi. Imphal East. Singjamei. 9362663937
Tiddim line 87946 84988
SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 8787530107 / 8014963395 /9863654574 /9774213728 /9089519886.
TAKYEL LANGJING,PATSOI AREA/8258856407 / 98622 39855 8014963395
KONTHOUJAM A/c 9863201839, / 8014963395
LAMSHANG A/C - 9612493837 / 8014963395

# কুমজা ১৯৬১গী মতুংদা চঙলকপা মীতোপশিং...

*লমায় ১গী মখা...* কম্পেনি অমদা থবক তৌবগী নৎত্রগা ইন্সটিট্যুসন অমদা মহৈ তম্নবগীদমক হায়রকপা মতমদা য়াম্না চেকশিনগদবনি। হন্দক্তসু মণিপুরগী নুপামচা মঙা মহারাষ্ট্রগী স্কুল অমদা তাথী-তাওইনা তৌই হায়বগী থৌদোক লৈখ্রে। মরম অসিনসু লৈঙাক্লা ফোঙনা ঙসিগী এম ও য়ু খুৎয়েক পীনদুনা মীয়ামদা প্রোজেক্ট অসিনা মণিপুরগী নহা কয়া কান্নবা ফংহল্লগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকপনি। অসিগুম্বা প্রোজেক্টশিং অসি চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদসু কম্পেনি অসিনা য়ৌহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।

লমদমসিগী মীয়াম হৌজিক অৱাবা খুদোংথীবা মতম অমদা লৈরি। ফূরুপ অসি হিংবা নৎত্রগা শিবা, ফূরুপ অসিগী আইদেন্টিটি মাঙবা নৎত্রগা মাঙদবা অনীগী শীংনবা মরক্তা মীয়াম হিংলিবনি। অশানবা মীৎয়েং য়াওদবা পোলিটিসিয়ন খরনা লমদম অসি মথোং মরম খঙদবা অমা ওইহল্লম্বদগী মীয়ামগী পূন্সিদা তেমশিংনবা কয়া থেংনরিবনি। ঙসিগী মীরোলনা অৱাবা মায়োক্ল রিবা অসি তুংগী মীরোলগীদমক য়াইফনবা হোৎনরুবদগীনি। লাইবক ফবদগী ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুর মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক বোর্দর ফেন্সিং তৌনবা অমদি ফ্রী মুভমেন্ট রেজিম চৎনহন্দনবা ৱারেপ লৌখ্রে। মসিনা তুংগী মীরোলশিংদি ৱাখলদা নুংশুক নুংজানবা য়াওদনা হিংবা ঙম্লগনি। আই এল পিগী বেজ য়র ওইরিবা কুমজা ১৯৬১গী মতুংদা মণিপুরদা চঙলকপা মীতোপশিং খঙদোক্তুনা ময়ূম-ময়ূমদা হলহল্লগনি হায়খি।

প্রোজেক্ট বুনিয়ারগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না হায়, অহানবগী ওইনা চহী ৩ চথুগদবা প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা মণিপুরগী নহা লিশীং ১ হোস্পিটালিটিগী ত্রেনিং পীগনি অদুগা ত্রেনিং লোইরবা মতুংদা হোটেলনচিংবদা থবক তৌজবা য়ারগনি। ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা থা কয়া মাঙখ্রিবা অসি মীয়াম অমদি লৈঙাক পূন্না হোৎনদুনা ফূকৎপা তঙাইফদে হায়খি।

ঙসিগী থৌরমদা হোন্দা ইন্দিয়া ফাউন্দেসনগী ত্রষ্টি বিনয় ধিঙ্গ্রা অমদি মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসনগী ষ্টেট মিসন দিরেক্টর এন বন্দনা অনীনা খুৎয়েক পীনখিবা এম ও য়ুগী মতুংইন্না মণিপুরগী নহাশিং বিসান ফাউন্দেসননা হোস্পিটালিটি মেনেজমেন্টগী লম্দা থা ২গী ত্রেনিং পীবগা লোয়ননা থবক ফংহন্নবগী পান্দম থল্লি।

ঙসিগী থৌরমদা মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দ, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি এম ঐচ খান অমসুং হোন্দা ইন্দিয়া ফাউন্দেসনগী ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি।

## মৈনা চিংবদা অমা...

*লমায় ১গী মখা...* তম্না পুখৎলকপগী লন্বীদা মীওই অমা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং থাংতুংতুং (২৫) অপোকপা জেনগাইলিয়াং কৌই। মহাক সুৱাংফুখুলদগীনি। অদুগা কম্যুনিতি হেল্থ সেন্টর অসিদা লায়কন্নরিবা মীওই অসিগী মমিংনা রামুৱানথাং (২৫) অপোকপা খামখলম কৌই। মহাকসু সুৱাংফু খুলদগীনি হায়রি।

## অঙাংবা লৈনা কায়ন-খুদোল তমদুনা ...

*লমায় ১গী মখা...* হকচাং জেনিমসকী মীরেলশঙদগী অরোইবা য়াতাফম তান্না পুরকখিবগী লন্বীদা মীওই কয়ানা মফম কয়াদা লন্বীগী নাক-য়েৎতা লেপ্তুনা ঙাইরম্লগা মহাক্কী হকচাংদা লৈ কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। মহাক্কী হকচাং লৈরোন চনবগী থৌরমদা তোঙান তোঙানবা মায়কৈ কয়াদগী লাকখিবা ইমা ইবেলশিং, মৈরা পায়বী অমদি লন্নাই মীওই অমসুং লূপকী লুচিংবশিংনা শরুক য়াদুনা মহাক্কী মফমদা লৈ-শু কৎখি।

মহাক লৈখিদবগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সীগী কনভিনর লৈশেম্বম বিমোল মৈতৈনা ফোঙদোরকপদা লৈখিদ্রবা নিংথৌজম মনিস্না য়াম্না চম্বা অমসুং খুল অসিদা খুল ঙাকপা য়াওদুনা লৈজরম্বনি। অদুবু লৈত-লায়রনা মরম ওইরদুনা ইথম মোইরাংপুরেল লোমদা থবক শূবা চৎখিবনি। অদুবু মফম অদুদা খঙহৌদনা মাঙখ্রবা মতুং ঙরাং মহাক্কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ওইনা ফংখিবনি। জে এ সীগা লৈঙাক্কা ৱারী শানরবা মতুংদা ঙসি মহাক্কী হকচাং লৌদুনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপনি। জে এ সীনা লৈঙাক্কা তোঙান তোঙানবা ৱাফম খরদা ৱারী শানখি। মদুগী মনুংদা লৈখিদ্রবা মহাক্কী ইমুংদা এক্স গ্রেসিয়াগী শেনফম পীবা অমসুং মহাক্কী লোয়নবীদা লৈহৌরিবা মহাক্কী অঙাং য়োকপা ঙম্নবা চান্নবা লৈঙাক্কী থবক অমা পীবা হায়বসু য়াওরি হায়রি।

# হকচাংদা কান্নবা কয়া পীরিবা 'কোর্দিসেপস মিল্লিটরিস' (চেঙ্গুম) য়াম্না থুনা পুথোকপা ঙম্লে

দোনাল্ড সাইরেম

**শেন্মীৎলোনদা অওনবা পুরকপা ঙমগদবা ৱাখল্লোন অমদি থবক্কী পাউদম**



**(ঙরাংগী মখা...)** হৌজিক জেনরেসন নেট ন্যুত্রিসন প্রাইভেট লিমিটেদনা পাঙথোক্লিবা থবকশিংসিনা ফর্মেন্টেসনগী প্রিন্সিপল শীজিন্নদুনা কন্ত্রোল তৌরবা এনভাইরনমেন্ট অমদা নুমিৎ মরিনিদগীনা মঙানিখক্তং চঙলগা চেঙ্গুম পুথোকপনি। হায়রিবা অসিনা য়াম্না হেন্না অথুবা মওংদা চেঙ্গুম মখল অসি পুথোকপা ঙম্লবনিনা অহেনবা শেঙ্থং থাদ্দুনা মতিক চাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি ম্যেন পৱারশিং হাপচিল্লবদি পাক শন্না পুথোকপা ঙম্বগা লোয়ননা গ্রাম অমদা চেঙ্গুম অসিগী মমল লুপা ৩০দগীনা ৫০ ফাওবদা মীয়ামদা ফংহনবা ঙমগনি। হৌজিক ষ্টার্ট অপ অসিনা চেঙ্গুম মখল অসি পুথোল্লবা মতুং কংহল্লগা পাউদর ওইনা শেমদুনা চা নৎত্রগা শুপ নৎত্রগা টেব্লেটকী মওংদা শীজিন্নবা য়ানবা শেম্বসু হৌরে হায়রি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক পেটেন্ট তান্নরিবনা টেক্লিক অসিগী মরমদা অহেনবা ৱারোল হায়দোক্ত্রবসু হায়রিবা প্রদক্ট অসিদা হকশেলগী লম্দা কান্নবা কয়া পীরিবা কোর্দিসেপিন অমদি হকচাংদা ইনর্জি শুংবদা চঙবা এদেনোসিন ত্রাইফোসফেট (এ টি পি) পুথোকপদা চঙলিবা এদিনোসিনগী চাং ৱাংনা য়াওই হায়বা লেবোরেটরিদসু টেষ্ট তৌদুনা খঙবা ঙম্লে। মমল হন্থহনবা অসিনা মরম ওইরগা মীয়াম্না চেঙ্গুম মখল অসি চাবা নৎত্রগা থকপদা শীজিন্নবা ঙমহনগনি। কান্নরবা চেঙ্গুম মখল অসিগী মমল হন্থহনবা অদুগা শীজিন্নবগী চাং হেনগৎহনবগী পান্দমদা ষ্টার্ট অপ অসি হৌদোকখিবনি। মপান্দা লৈরুবা, হৈরুরবা অমসুং তম্লুরবা মীয়াম্না লমদমসিদা হল্লক্তুনা মণিপুরগী শেন্মীৎলোনগী খুদোংচাদবা লৈহন্দনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

পনবা য়াবদি, ডা. থিয়াম জেনরেলগী জেনরেসন নেট ন্যুত্রিসন প্রাইভেট লিমিটেদ অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওটেক্নোলোজিনা লিংখৎপা বাইওটেক্নোলোজি ইন্দষ্ট্রি রিছর্স এসিষ্টেন্স কাউন্সিল (বি আই আর এ সী) না পীবা বাইওটেক্নোলোজি ইগ্নিসন গ্রান্ট (বি আই জি) ২০২২দা ফংখ্রবনি। গ্রান্ট অসি ইন্দিয়া পূম্বগী ষ্টার্ট অপ/ইনোভেটর ময়ামদগী ১০ মুক্তং খনগৎপদা মহাক্কী ষ্টার্ট অপ অসিনা অহুমশুবদা য়াওরকখিবনি। মহাক্কী ষ্টার্ট অপকী খোঙচৎতা কে আই আই টি- টেক্নোলোজি বিজিনেস ইনক্যুবেটরগী মখাদা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা মণিপুর টেক্নোলোজি ইনোভেসন হবনা মতেং পাংলকখিববুসু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা, মরিরক হন্না এপ্লাই তৌবদা অহুম্লক মায় পাকখিদ্রবা মতুং অকোনবা মরিরকশুবদা মায় পাক্তুনা বাইওটেক্নোলোজি ইগ্নিসন গ্রান্টকী মখাদা শেঙ্থং খরা ফংবা ঙমখিবনি। মসিগী মতুংদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর খরা লৈশিনবা ঙমখি। অদুবু ইন্দষ্ট্রিগী স্কেলদা লাক্নে হায়রবদি অহেনবা ইনভেষ্টমেন্ট চঙখিগনি হায়রি।

মপান লৈবাক্তা তৌবা ইন্দষ্ট্রি মপূং ফানা অমসুং ফজনা লৈবা ওইরবদি টেক্নিক অসি পানশিল্লগা য়াম্না লায়না চলাইবা য়াগনি। মণিপুরদা মরু ওইনা বাইওটেক্নোলোজিগা মরী লৈনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর মপূং ফানা লৈতবনিনা খরা ৱাখিগনি।

অমরোমদা মণিপুরগী হৌজিক তংদু লৈতাদবা ফীভমসিনা মরম ওইরগা নীংহন্নবা কয়া ফাওই। করিগুম্বা মপান লমদা অমুক চৎলসিরা খল্লকপসু য়াওই। অদুবু মণিপুরদা অওনবা অমা পুরকপা ঙম্নবা খোঙ থাংজিল্লুরবনিনা হন্দোক্লরোই হায়রকখি।

মণিপুর মীয়ামদগী থোরকপা ৱাখল্লোনগা অতোপ্পা চাওখৎলে হায়রিবা লৈবাক্তগী থোরকপশিংগা চাংদম্নবদা মণিপুরনা করিসু নোপ্পা নত্তে। অদুবু ৱাখল্লোন অদু থবক্তা ওন্থোরকপদদি মণিপুরগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী স্কোপ খঙবীদবগী মওংদা লৈরি হায়রকখি।

## রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা নুপামচা ১না হায় :

# রিলিফ কেম্পতা লৈবা মীওইশিংনা শাবা পোৎ চৈশিং য়োনবা চৎলে, লাইরিক তম্লরোই

**হকথেংনবা পাউদম**

*মোরেদগী নুপামচা অমা*

**(ঙরাংগী মখা...)** মশাগী চহী ১৫ রোমদা ঙাইরিবা নুপামচা অসিনা হায়, ইষ্টর্ন আইদিএল হায় স্কুলদা তম্লিঙৈদা লাইরিক অমদি অচংবা মহৈ তম্বগী মচাকশিং লেম্না পীবিরবসু ঐহাক লাইরিক মখা তানা তম্নীংবা পোক্তে। ইমান্নবা খরসু লাইরিক তম্বা তোকখিবা য়াওরে। কুকিশিংনা অতম্ননা মীতৈদা ওনশিন্দুনা লান্দারকপদগী হৌজিকসু থম্মোয়দা নীংঙমদবা ফাওরি। ঐ ইশামক অরাম্বাই তেঙ্গোলদা য়াওজগে হায়না চৎলুরে অদুবু অঙাং ওইমল্লি হায়রকপদগী য়াওবা ফংখিদে। পূন্সিদা মায় পাক্লবা ঈশৈ শকপা মী অমদি ওইনীংই, নীংহন্নবা ৱাখল ময়াম মরকসিদা শৈশকপা অমা ওইগে হায়বা ৱাখলসি হনবদি লৈতে অদুবু করম থোল্লগদগে খঙদ্রি।

মোরেদা লৈবা ইশাগী য়ূমদা লৈরিঙৈদগী হৌনা ঈশৈ শকপা তম্বা হৌরকখিবনি। হৌজিকসু মখা তানা তমথনীংলি। অদুবু ইশাগী য়ূমদা লৈজবা ফংদবা অসিমক্তি খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইতে। য়ূমদা লৈহৌবা লৈখিদ্রবী ইমাগী ফোটোদুসু খ্বাইদগী পাম্মুজবা পোৎশক অমা ওইরক্লে। হৌজিক রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা অসিগী মহুত্তা করিগুম্বা ইশাগী য়ূম-ইঙ্খোলদা অমুক হন্না চঙশিন্দুনা মহৌশাগুম ঈং-তপ্না লৈবা ফংলক্লবদি ঐহাক লাইরিক মখা তানা তম্নীংবগী ৱাখল ফাওরকখিবসু য়ারি হায়না ফোঙদোরকখি।

## লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ীশিংনা ফেব্রুৱারী ...

*লমায় ১গী মখা...* থল্লকখিবা ৱাফমশিং হয়েং নুংথিল পুং ১ তারকপদা ফেদরেসন অসিনা মরী লৈনরিবা এমপ্লোয়ীশিংগী এসোসিএসনশিংগী এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংগী মমাঙদা পুথোল্লগা খন্নখিগনি হায়বা ৱাফমসু থমখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ২দা ফেদরেসনগী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরিদা পীশিনখিবা অইবা চেরোল অদুদা এমপ্লোয়ীশিংগী পীথোক্তনা লৈরক্লিবা দি এ/দি আরশিং জন্যুৱারী ১, ২০২৩দা য়ানখিবগী মতুংইন্না থা ১৮গী কনফিসকেটৈদ দি এ/দি আর এরিয়রশিংগা লোয়ননা পীথোক্কদবনি হায়খিবনি।

পি এ আর দি এ এক্ট রিপিল তৌদুনা নেসনল পেন্সন স্কিম চৎনহল্লোইদবনি। অদুগা ষ্টেট লৈঙাক্তা দিপোজিৎ তৌখিবা শেনফমশিং হন্দোরক্লবা ফন্দ মেনেজরশিংদা পাউতাক পীগদবনি। মণিপুর লৈঙাক্লা কন্ত্রেক্টচুএল/আউটসোর্সদ/দেলি ৱেজ এপোইন্টমেন্টশিং লেপকদবনি। অদুগা কন্ত্রেক্ট এমপ্লোয়ী পূন্নমক রিগুলরাইজেসন তৌগদবনি হায়খিবনি।

হৌজিক ষ্টেট লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংদা লৈরিবা অহাঙবা ফমশিং পন্থদনা মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন অমসুং ষ্টেট ষ্টাফ সিলেক্সন কম্মিসন খক্তগী খূত্থাংদা মায়োক্নরিবা থবক্কা ম্যেন পৱারগা চান্নদবশিং য়েংলদুনা মেনশিনগদবনি। থবক্তগী পোত্থাবগী মতম অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা তৌখিবগুম্না শাংদোকহনগদবনি। চহী মঙা খুদিংগী পেরিওদিকেল পে রিভিজন পাঙথোক্কদবনি। লোয়ননা পোৎ চৈগী মমল হেনগৎলকপা থিংবগা লোয়ননা পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টম মপাঙ্গল কনখৎহনগদবনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখিবনি।

# রিলিফ কেম্পতা থা ৯ হেন্না লৈরকপদা অৱাবা কয়া...

*লমায় ১গী মখা...* শানরবা মতুংদা পূন্নমক খঙবা ঙম্লকখিবনি।

মহাক্কী পূন্সিদা ইকায় নুংশি য়ান্ননা কনামত্তদা লিথোক্তনা থল্লকখিবা ৱারী অসি ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়, নোংমা রিলিফ কেম্প অসিদা নুপী অমগা চুম্না ৱারী শানখি মদুদা ঐখোয়বু কদাইদগী লাঞ্জেল্লকপনো হায়বনচিংবা হংলকখি। ৱাহংদুগী পাউখুম ওইনা ঐহাক্না সেরৌ অৱাং লৈকায়দগী লাঞ্জেল্লকপনি, ইপামনা শুগুনুদনি হায়রুবা মতমদা নুপী অদুনা মহাকসু শুগুনুদা চৎনীংই অমসুং মফম অদুদা উন্ননীংবা মী লৈ হায়রকখি।

মহাক্কী মপুরোইবগী অশেংবা ময়ূমসু শুগুনুদগীনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা ৱারী মখা শারকপদা নুপী অদুনা মহাক্না তুমুখোংদগীনি হায়না ফোঙদোরকখি। মহাক্কী ৱাফম অদুদা ঐহাক চিংনবা ফাওরক্তুনা নুপী অদুনা মহাক্কী মপুরোইবনি হায়রিবা নুপা অদুগী মমিং হংলবা মতুং ঐগী ইবুং অহলদা অমুক হংলুবদা চুম্নরমদুনা ঐহাক্না ৱারী শানখিবী নুপী অদু ইবুংনা লৌবা ইনম্মনি হায়বা খঙলকখিবনি।

ঐহাক্না চহী ১১ রোম শুরকপা মতমদা ইমা লৈখিদবগী থৌরমদা অরোইবা ওইনা উবা ফংজখিবা ইবুং অদু ঙসিদি চহী ২৫গী মতুংদা রিলিফ কেম্পতা থেংনরে হায়রকখি।

লোয়ননা কুকিশিংনা মীতৈদা অতম্না ওনশিন্দুনা লান্দারকপদগী ঐখোয়গী ইমুং খক্তা নত্তনা কুইনা লাপ্নখ্রবা অমসুং কাউরবা ইবুংগী ইমুং মনুংসু লাঞ্জেন্নরম্বা উবদা অৱাবগী পোৎলূম হেনগৎখি অদুবু মখোয়গা উনদুনা শকখঙ মায়খঙনবা ফংবা অসিগীদমক্তদি হায়নীংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফাওখি হায়রি।

হিংনবগী লানফমদা রিলিফ কেম্পতা লৈনা লৈনা ৱাংখৈ হায় স্কুল মমাঙদা পোৎফম ফল্লিবী মোনিকানা মখা তানা হায়, হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টনা হৈ-রা খরা অহোঙবা মমলদা পীরকপদগী মসিবু য়োল্লগা পীক্লবা শেনফম খরা শেন্দোং ওইনা ফংনবা হোৎনজবনি। রিলিফ কেম্পতা লৈমিন্নরিবা ঐখোয় নিপালগী মনুংদা ৪/৪ খাইদোক্নদুনা অয়ূক অমসুং নুংথিলদা হৈ-রাশিং য়োনবদা নোংমদা লুপা ৪০০ রোম শেন্দোং ফংবা য়াওই। খুৎতা লুপা অমা ফাওবা থোকপা ঙমদনা লৈবগী মহুত্তা য়ামদ্রবসু শেন্দোং খজিক্তং ওইরবসু ফংননবা হোৎনবনি হায়রকখি।

ইশাগী য়ূম মৈ থাখ্রে, উৎ ওনখ্রে অদুবু লৈহৌরিবা ইঙ্খোলদা হঞ্জিন্দুনা হৌজিকসু লৈনীংলি। রিলিফ কেম্পতা থা ৯ হেন্না লৈরক্লে। ইশাগী ইঙ্খোল অদুদগী কুকিশিংগী বঙ্কর ফাওবা ময়েক শেংনা উবা ফংই। মখোয়গী বঙ্করদি হৌজিক ফাওবা শিদোক্ত্রি হায়রি। ফীভম অসিদা করম্না য়ূমদা হঞ্জিন্দুনা লৈরুগদগে খনবদসু অৱাবা ওইরি।

করিগুম্বা লান অসি লোইশিন্দুনা অমুক হন্না তংদু লৈতাবা হঞ্জিল্লক্লবদি তুমুখোংদা লৈখ্রবা ইবুংগী য়ূমদা চৎকনি অদুবু লান অসিদি লোইশিনবগী মহুত্তা নোংম-নোংমগী শাংদোরকপগী ফীভমদা মীতৈশিংবু বোকলী চাকথাক ওইনা হুনবগী মওংদা লেপ্তুনা শিরক্লি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা থম্মোয় শেংনা হোৎনরবদি লান অসি করিগী লোইশিনবা ঙম্লোইদৌরিবনো হংলদুনা লান অসি মীচমশিংনা লোইশিনগদবা নত্তে, লৈঙাক্লা লোইশিনগদবনি। চীফ মিনিষ্টর ফাওবনা থৌশাবীদ্রগা হোম মিনিষ্টর নৎত্রগা প্রাইম মিনিষ্টরনদি করম্না থৌশাবীগনি। মণিপুরদা থোক্লিবা লান অসিগী ৱারোইশিন পুরকপগী মহুত্তা হৌজিক ইলেক্সন লোমদা ওইনা থৱায় য়াওবগী ফীভম উরক্লিবসিগী মতাংদদি বি জে পি নৎত্রগা কোংগ্রেস হায়বা লৈতে, ঐগী ওইনদি ঈরাং অসি লোইশিন্দুনা হান্নগী পূন্সি মহিংদা হঞ্জিলহন্দ্রবদি মীখলদা শরুক য়ারোই হায়রকখি।

# থোক্লিবা লান অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী খুজিল...

*লমায় ১গী মখা...* অমুকোগী ৩১রক শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

পি ঐচ নন্দো লুৱাংনা মখা তানা হায়, ম্যান্মার লোমদগী চঙশিল্লকপা কুকি-জৌ টেররিষ্টশিং অসি দ্রগ কার্টেলশিংনা স্পোন্সর তৌরগা মণিপুর থুগাইনবা মতম কুইনা থৌরাং তৌদুনা লাকখ্রবা মতুং মমাঙ চহী ২০২৩গী মে ৩দা শাফোঙলক্তুনা মণিপুরবু তংদু লৈতাদবা লমদম অমা ওইহল্লে। থৌওং অসিমক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা শীনবা থৌরাং অমনি।

মণিপুরদা য়ূম কয়া মৈ চাল্লগা ইনিদয়া লৈঙাক্লা দিৱালিগী মৈ থানবগুম খন্দুনা য়েংদুনা লৈরে। মালেমসিদা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা লৈবাক অমা ওইরিবা ইন্দিয়াগী মীয়াম অসি ইকায় ফিরুক খুমহল্লে। মসিগী মমাঙদা কুমজা ১৯৯২দা থোকখিবা নাগা-কুকিগী ঈরাংদসু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খামদোক্তবনা মীওই লিশীং ১ হেন্না শিখি। হৌজিক মীতৈ অমদি কুকি অনীগী মরক্তা থোক্লিবা ঈরাং অসিদসু মনা তাশিন্নদনা লৈরিবা ইন্দিয়া লৈঙাক অসিনা মী কয়া শিবা ঙাইরিবনো চিংনরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

মণিপুর থুগাইগনি নীংলিবা কুকি-জৌ টেররিষ্টশিংগী মফমদসু মহাক্না হায়, মণিপুরগী লম্থু নম্ফু-হাফুদা লৌগনি খল্লিবা অসিদি কৈদৌনুংদসু ওইথোক্লোই। অমুকোনা লৈরিবা অসি মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়হল্লোই হায়বা ফিরেপকা লোয়ননা লেপ্তুনা লৈরিবনি। সিটিজেনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্টসি চৎনদ্রিসিফাওবদা পামদবা থৌদোক থোক্লিবনি। চৈরকসিদা সী এ এ চৎনরগনি হায়বসি মণিপুরগী মীয়াম অমসুং অমুকোনা য়াবা ঙম্লোই। সী এ এনা মণিপুরদা মীতোপকী ঈচাওগী থোঙ অমা হাংদোকপগা চপ মান্নগনি। অসিগুম্বা ফীভম অমা লৈরবা অসি ফাওবদা মণিপুরগী এম এল এশিংনা খঙশিন উশিন্নদনা লৈবগুম তৌরিবা অসি অথুবা মতমদা মীৎকপ থোকপীরো হায়খি।


থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা সোসল সাইন্টিষ্ট ডা. ধনবির লাইশ্রম্না হায়, অমুকোনা 'লেট অজ লিফ টুগেদর, ষ্ট্রগল টুগেদর, গ্রো টুগেদর' হায়দুনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাং অমসুং লৌরক্লিবা থৌদাং অসিদা পূন্না হিংমিন্নবা হৈত্রবদি লৈবাক অসিগী অশেংবা মচা ওইদ্রবনি। তাঞ্জাসিদা লৈবাক অসিগী অঙম অথৌশিংনা মণিপুর খক্তা নত্তনা ফূরুপ কয়ানা খুন্দারিবা নোর্থ ইষ্ট রিজনদা অমগা অমগা খৎনহন্দুনা অমদি য়েংথিনহন্দুনা পূনশিনবা য়াদনবা শিল্লিবা অসি করিগুম্বা পূনশিনখ্রবদি মখোয়গা মায়োক্নবা ঙম্লোই খঙবদগীনি। অপূনবা মণিপুর অমগী শক্তম শাগৎনবা হোৎনবদা অমুকোগুম্বা লৈবাক অসিগীদমক কখোল্লিবা অমসুং লৈবাক্কী হান্না খল্লিবা লূপ কয়া অমগী থৌদাং চাউনা লৈ হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হৌজিক বোর্দর শম্বল খাগনি হায়না তৌরিবা অসি তশেংবদি চাইনা অমসুং ম্যান্মারগী জিও পোলিটিক্স কিবদগীনি। মণিপুরগী ফূরুপশিংগী ফনবা তৌবা থবক্লা মাঙদা থম্বা নত্তে।

অমুকো অসি কুমজা ১৯৯৩গী ফেব্রুৱারী ১২দা মণিপুরদা অপূনবগী শক্তম অমদি ফূরুপশিং নুংশি চান্নবা হিংমিন্নবগীদমক মনুং অমসুং মপানগী অকনবা শাফূনা শীংনরকপদগী অপূনবগী শক্তম্বু মতম চূপ্পগী ওইনা ঙাক শেন্দুনা থম্নবগীদমক ক্লব, এসোসিএসন, ওর্গনাইজেসন অমসুং ফূরুপ পূন্নমক্কী মীহুৎশিং পুন্দুনা লিংখৎখিবনি। অদুবু ঙসিগী মণিপুরগী তংদু লৈতাদবা পূন্সি মরেল অসিগী মথক্তা অমুক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পাৱরস এক্ট, ১৯৫৮ অসি থা ৬ অমগা অমুক শাংদোকহল্লক্লিবা অসিনা তাক্লিবদি ঙসি ফাওবদা মণিপুর মীয়ামগী খোল্লাও দেল্লী লৈঙাক্লা তাবীদে তাকপনি। মরম অসিনা মণিপুরগী মীয়াম্না অফস্পা মপূং ফানা লৌথোক্লবা অমসুং থোক্লিবা ঈরাং অসি পোলিটিকেল সোল্যুসন অমনা ৱারোইশিন পুরক্লবা অপূনবা লান্থেং অমা চঙশিনমিন্নরসি হায়নসু অমুকোগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. নোরেন্দ্রো থোকচোম্না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অসিদা অমুকোগী এদভাইজর ইতো তোংব্রম, পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এস মেমচা, ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভোলুন্টরি এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই কুঞ্জরানি, ওল মণিপুর মীতৈ পাঙল ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট য়ুমখাইবম হয়াতুর রহমন, এক্স এম এল এ, আর কে আনন্দনচিংবনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী মনুং চন্না লূপ অসিগী লাইওইখ্রবা থৌপুরম্বা মেম্বরশিংদা অমসুং থোক্লিবা লান অসিদা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদসু লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।


HL-B/5178/8

